# নেস্নেল মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপকী মঙানিচনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা পূন্না মেডল ১২১ লৌখ্রে






ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ মাষ্টর এঠলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর মাষ্টর এঠলেটিক এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী ১৪ ফাওবা ষ্টেট ২৭ দগী লাকপা পূন্না এঠলেট ৪০০০ রোমনা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৪১ শুবা নেস্নেল মাষ্টর এঠলেটিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২০গী ঙসি মঙানিচনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৫৫, সিলভর মেদল ৩৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩৩ পূন্না মেদল ১২১ লৌখ্রে।

ঙসি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মঙানিচনবা নুমিৎতা মণিপুরনা গোল্ড ১৮, সিলভর ৮ অমদি ব্রোঞ্জ ৯ লৌখি। মণিপুরগী গোল্ড মেদলশিং অদু- টিঐচ মেমচা দেবীনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী ২০০ মিটরদা (৩১.৫ সেকেন্দ), এস থম্বাল শর্ম্মনা চহী ৬০ মথক নুপাগী ২০০ মিটরদা (২৩.৩ সেকেন্দ), টিঐচ লেটপু কোমনা চহী ৬৫ মথক নুপাগী ২০০ মিটরদা (২৯.৪ সেকেন্দ), এন তোম্বীমচা দেবীনা চহী ৮০ মথক নুপীগী ২০০ মিটরদা (৫৫.৩ সেকেন্দ), কেঐচ লালবাবু সিংহনা চহী ৮৫ মথক নুপাগী ২০০ মিটরদা (৩৬.৬ সেকেন্দ), অবুজাম সন্ধিয়ারানি দেবীনা চহী ৬০ মথক নুপীগী ২০০ মিটর হদলস (৫৬.৯ সেকেন্দ)।

থৌদাম নবাকুমার সিংহনা চহী ৭০ মথক নুপাগী ২০০০ মিটর ষ্টিপ্লি চেজসদা (১১ঃ২২.৪ সেকেন্দ), লোঙজম ভুবোননা চহী ৭৫ মথক নুপাগী ৩০০ মিটর হদলসদা (১ঃ০৪.৫ সেকেন্দ), য়ুম্নাম ব্রোজেন সিংহনা চহী ৫৫ মথক নুপাগী ৩০০০ মিটর ষ্টিপ্লি চেজসদা (১৩ঃ২৮.২ সেকেন্দ), টিঐচ ইবেমহল দেবীনা চহী ৭০ মথক নুপীগী কিমি ৫গী ৱাল্কদা (৩৯ঃ ৫৪.৪ সেকেন্দ), ঐচ মেমি দেবীনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী হেমর থ্রোদা (মিটর ২৭.১০)।

এস গোজেন মৈতৈনা চহী ৭০ মথক নুপাগী হেম্মর থ্রোদা (মিটর ২৯), অঙোম মোমোন দেবীনা চহী ৬৫ মথক নুপীগী হায়জম্পদা (মিটর ০.৯৫), কে শ্যামা দেবীনা চহী ৬৫ মথক নুপীগী হায়জম্পদা (মিটর ০.৯৫), ও রাশি দেবীনা চহী ৮০ মথক নুপীগী হায়জম্পদা (মিটর ০.৮০)।

য়ুহুব অলিনা চহী ৭০ মথক নুপাগী ত্রিপল জম্পদা (মিটর ৯.৮২), টিঐচ ইবোচা সিংহনা চহী ৭৫ মথক নুপাগী ত্রিপল জম্পদা (মিটর ৭.৮৮) অমদি সোরোখায়বম মনি মৈতৈনা চহী ৯৫ মথক নুপাগী ত্রিপল জম্পদা (মিটর ৫.৪৯) গোল্ড মেদলশিং লৌখি।

সিলভর মেদলশিং অদুনা- দব্লিউ বিদিয়াপটিনা চহী ৫০ মথক নুপীগী ২০০ মিটরদা ( ৩১.৫ সেকেন্দ)দা, এস সুরোধিনি দেবীনা চহী ৬০ মথক নুপীগী ২০০ মিটর হদলসদা ( ৫৬.৯ সেকেন্দ)। আরকে হেমোলতা দেবীনা চহী ৬০ মথক নুপীগী ২০০ মিটর হদলসদা ( ১ঃ০৪.০ সেকেন্দ), রাজকুমারি রোমিতা দেবীনা চহী ৪০ মথক নুপীগী হেম্মর থ্রোদা (মিটর ১৬.৮০), এস লন্ধৌনি দেবীনা চহী ৪৫ মথক নুপীগী হেম্মর থ্রোদা (মিটর ২০.২৩)দা।

এল ইনাওবী দেবীনা চহী ৬৫ মথক নুপীগী হেম্মর থ্রোদা (মিটর ১৯.১৩), কে রাশি দেবীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী হেম্মর থ্রোদা (মিটর ১৩.০৫) অমদি ঐচ মেমি দেবীনা চহী ৫৫ মথক নুপীগী শোট পুটদা (মিটর ৭.৯০) মেদলশিং লৌখি।

ব্রোঞ্জ মেদলশিং অদুনা - এল ইমোচা সিংহনা চহী ৬৫ মথক নুপাগী ২০০ মিটরদা (২৯.৫ সেকেন্দ), রাজকুমার রিঞ্জিৎনা চহী ৭০ মথক নুপাগী ২০০০ মিটর ষ্টিপ্লি চেজসদা ( ১২ঃ০৭.০ সেকেন্দ), দেবরাজ অচোইবমনা চহী ৩৫ মথক নুপাগী ৩০০০ মিটর ষ্টিপ্লি চেজদা ( ১৩ ঃ৩১.৮ সেকেন্দ), এম দেবরাজ লুৱাংনা চহী ৪৫ মথক নুপাগী হেম্মর থ্রোদা (মিটর ২৮.৫৯)। এস মনিসনা দেবীনা চহী ৬০ মথক নুপীগী হেম্মর থ্রোদা (মিটর ১৮.৯৪), ৱাইখোম থাবল্লৈ দেবীনা চহী ৬৫ মথক নুপীগী হেম্মর থ্রোদা (মিটর ১৬.৫৪), এল লৈরাংতোম্বীনা চহী ৭৫ মথক নুপীগী হেম্মর থ্রোদা (মিটর ১০.২৩), বিচিত্র সিংহানা চহী ৩৫ মথক নুপীগী হায়জম্পদা (মিটর ১.০০) অমদি টিঐচ অশালাতা দেবীনা চহী ৪০ মথক নুপীগী হায়জম্পদা (মিটর ১.৪৫)দা মেদলশিং অদু লৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি হয়েং লোয়শিনবগী থৌরমদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট অমদি এডুকেসনগী মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যাম, য়ুঠ এফিয়াস এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমদি এঠলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুগী প্রসিদেন্ট এল অজিৎ সিংহনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

# মণিপুর ষ্টেট লীগদা য়ু কে বি চুড়চান্দপুর অমদি নিসা থাংমৈবন্দ দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা খুমুকচম জয়কিসন সিংহনা স্পোন্সর তৌদুনা থা অসিগী ৬ দগী ইম্ফালগী খুমন লম্পাক অর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দা টিম ১৫ না সিঙ্গল লেগ রাউন্দ রোবিন লীগতা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১৩ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৯-২০ গী ১০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি য়ু কে বি চুড়চান্দপুর অমদি নিসা থাংমৈবন্দনা শান্নখিবা মেটচ গোল ২-২ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিগী অঙনবা মিনিটশিংদা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরনা বোল হেন্না পায়রগা শান্নখিবনা মেটচকী মিনিট ১৬ দা পাওলিনশ্যামনা খায়রকপা বোলদা টিমগী জর্সি নম্বর ১৫ পাওলেনলালনা গোলদা ওন্থোক্তুনা মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙখি।

গোল শোথরিবা নিসানা গোল হন্দোক্নবা হোৎন্নরক্তুনা শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনিট ৩৬ চৎপদা টি দিপকনা য়েৎ থংবা ৱিং দগী খায়রকপা বোলদা টিমগী কেপ্টেন এল গৌরোনা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী দিফেন্স মার্কিংদগী নান্থোক্তুনা গোল কিপ্পর জেসন ভাইফৈবু তুংওইনরমদুনা গোল হন্দোখিবা অদুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১-১ দা মান্না লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনিট ৫৮ তা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী মাঙখোলেননা নিসাগী মোরিস জোসুৱাবু থিংনবা হোৎনবদা বোক্স মনুংদা ফাওল তৌরুবগীদমক পেনাল্টি অমা ফঙখি অদুবু গোলদা ওন্থোকপা ঙখিদবনা মাঙজিল থারম্বা য়াবা তাঞ্জাদু মাঙখি।

মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়রমদাইদা নাকল অনীনা মপাঙ্গল ফুদোক্নরখিবনা মিনিট ৮০ দা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী পাওলেনলালনা অনীশুবা গোল চন্দুনা ২-১ দা মাঙজিল থাখ্রবসু মিনিট ৬ কান্নরগা নিসাগী জর্সি নম্বর ১১ এল সনাতোম্বনা গোল হন্দোক্লগা ২-২ দা লৈদুনা মায়থিগদবদগী কনখি।

মেটচ অসিদা য়ু কে বি চুড়চান্দপুরগী জর্সি নম্বর ২২ মাঙখোলেন অমদি নিসাগী জর্সি নম্বর ৪ লমজিংবদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ এল রোজিৎ, এমদি লটিফ, এল সনাতোম্বা অমদি দব্লিউ ইবোয়াইনা মথংশীৎনা সেন্টর রেফ্রি, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি-১, এষ্টিটেন্ট রেফ্রি-২ অমদি ফোদ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং পুং ১২.১৫ দা এ আই এম খাবম অমদি মুভালাই এঠলেটিক সদর হিলসগা অদুগা পুং ২.১৫ দা এস এস য়ু অমদি জি এস সিগা শান্নগনি।

# টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌখ্রে, নম্পা খা-ইম্ফাল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম সি ভি এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৯ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৮ শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা হান্নগী য়াসকী ডাইরেক্টর দব্লিউ ভক্তারাজ, এম সি ভি এগী প্রসিদেন্ট এন ইন্দ্ররজিৎ, এম সি ভি এগী পাত্রোন সিঐচ চাউবা, মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী সিঙম প্রিয়ানন্দ, এম সি ভি এগী এডভাইজর আর কে বিধুর, এম সি ভি এগী ভাইস প্রসিদেন্ট এ বিরেন্দ্র, এম সি ভি এগী ভাইস প্রসিদেন্ট এ মোহনদাস, এম সি ভি এগী ত্রেজর এম রাজেন্দ্রো, এম সি ভি এগী লাইফ মেম্বর টি রোজিৎকুমার অমদি এম সি ভি এগী এডভাইজর টিঐচ জয়কুমারনা মথংশীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।



অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ-এগী শান্নখিবদা নম্পা খা-ইম্ফালনা ৱাই পি ঐচ য়ু লালম্বুংবু রন ৯১ দা মায়থিবা পীখি। মেটচ অসিদা ৱাই পি ঐচ য়ুনা তোস ঙমদুনা বোল্লিং হান্না খনবদা নম্পা খা-ইম্ফালগী বেট্টিং দা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৯১ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা ৱাই পি ঐচ য়ুনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১০০ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৯১ দা মায়থিবা নঙখি।

নম্পাগী বেট্টিংদা ভোগেননা রন ৬৮, সোমেন্দ্রোনা রন ৪৪ অমদি বিপিননা রন ২৩ লৌখি। ৱাই পি ঐচ য়ুগী বোল্লিংদা বেদমোহননা ৱিকেট ৪ অমদি ইবুংঙোবীনা ৱিকেট ২ লৌখি।

ৱাই পি ঐচ য়ুগী বেট্টিংদা হেমন্তনা ৫১ অমদি ইবুংঙোবীনা রন ১৫ লৌখি। নম্পাগী বোল্লিংদা ভোগেন, হিমন্দ অমদি সুরজিৎনা ৱিকেট ২ /২ লৌখি। মেন ওফ দি মেটচনা নম্পাগী রন ৬৮ অমদি ৱিকেট ২ লৌখিবা ভোগেননা তাখি।

# কাইরঙ এফ সি, লুৱাংশঙবম অমদি ৱাই এম সি (এ) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ য়ুঠ মোদেন ক্লব হরাওরৌনা শীন্দুনা থা অসিগী ১০ দগী ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা টিম ২০ না গ্রুপ-৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা ৯ শুবা হরাওরৌ ত্রোফি সভেন এ সাইট ভিলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মপাউ খৃষ্টিয়ান অমদি ক্রেজি বোইজ য়ুম্নাম খূনৌ গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে। মপাউগী গোল অদু ময়ানা মিনিট ৩৩ দা অদুগা ক্রেজি বোইজগী গোল অদুনা রোবিনচন্দ্রনা মিনিট ৫ দা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা কাইরঙ এফ সিনা ৱাই এফ সি চিঙ্খুবু গোল ৫-২ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু এমদি সনানা মিনিট ১৭, ৪০, ইমদাদনা মিনিট ২৯, চাউবনা মিনিট ৩৩ অমদি ফয়াসনা মিনিট ৩২ দা চনখি। মায়থিরবা ৱাই এফ সিগী গোলশিং অদুনা অজুল উশমনা মিনিট ৩ অমদি য়ু রোবিনকুমারনা মিনিট ৩৬ চৎপদা চনখি।

টুর্নামেন্টগী ১৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহুমশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ-সিগী কোরৌঙানবা অমদি লুৱাংশঙবমনা শান্নখিবা মেটচতা লুৱাংশঙবমনা কোরৌঙানবাবু গোল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা লুৱাংশঙবমগী গোলশিং অদু থৌঙম্বানা মিনিট ৬, ৮ দা গোল ২ অদুগা কিসননা মিনিট ২৩ অমদি ৩২ দা চনখি।

মায়থিরবা কোরৌঙানবা এফ সি পাঙ্গৈগী গোলশিং অদুনা নাওতোননা মিনিট ৩১, নাওচানা মিনিট ৩৪ অমদি রাজিবনা মিনিট ৩৬ চৎপদা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেটচতনা ৱাই এম সি (এ) হরাওরৌনা নোঙাদাবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাই এম সি (এ) হরাওরৌগী গোলশিং অদু টি চিঙ্খৈঙানবনা মিনিট ৫ অমদি মন্দাসনা মিনিট ৩১ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা নোংঙাদাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু দব্লিউ বিকেননা মিনিট ১৫ দা চনখি।

মঙাশুবা মেটচতনা এন এস সি খুন্দ্রাকপমনা অৱাং ঙাইরাংবমবু গোল ৬-১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাকপগী গোলশিং অদু এল মৈরাবানা গোল ৪ অদুগা সোমেন্দ্রা অমদি রাহুলনা অমমম চনখি।

তরুকশুবা মেটচতনা ৱাই এম সি (বি) হরাওরৌনা এস ৱাই দি সি শিনামবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখি।

# এল সি এল লাইফ্রাকপমনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা কোনুমা মখা য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব ফুবাকচাউ কোনুমানা শীন্দুনা থা অসিগী ৬ দগী টিম ১০ না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ইন্টর ভিলেজ ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট গী ৱিন্নর এল সি এল লাইফ্রাকপম্না ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অরোয়বা ২৩ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি এস ৱাই দি সি শান্থেল অমদি এল সি এল লাইফ্রাকপমনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এল সি এলনা এস দি ৱাই সিবু সেট ৩-১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা এল সি এল লাইফ্রাকপম্না পোইন্ট ২৫-১৯, ২৪-২৬, ২৫-১৯, ২৫-২২ স্কোর তৌখি।

পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট স্পাইকরদা এল সি এল লাইফ্রাকপমগী এল সমানন্দনা তাখি। বেষ্ট প্লেয়রনা এস ৱাই দি সি শন্থেলগী নৱাসনা তাখি। অদুগা বেষ্ট সিটলরনা এল সি এল লাইফ্রাকপমগী নাওতোন সিংহনা তাখি।

সেমি ফাইনেলদা এস ৱাই দি সি শন্থেলনা বি এস এ ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুনবু সেট ৩-২ দা অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা এল সি এল লাইফ্রাকপমনা এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফালবু সেট ৩-২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ময়াং ইম্ফাল কেন্দ্রগী এম এল এ অমদি দিপুটি স্পিকর কোঙখাম রোবিন্দ্রো, লাফুপাৎ তেরা কোমলাখোং গ্রাম পঞ্চয়াদকী প্রধান নিংথৌজম বসন্ত সিংহ, লাফুপাৎ তেরা কোমলাখোং গ্রাম পঞ্চয়াদকী উপ প্রধান নিংথৌজম মলেমঙানবা সিংহ, ৱার্দ নম্বর -১গী মেম্বর ৱাঙজম মোহেন্দ্রো সিংহ, ৱার্দ নম্বর -২গী মেম্বর চিরোম গোপাল সিংহ, ৱার্দ নম্বর -৩গী মেম্বর হৈবোক ময়ুম সনায়াই, কোনুমা মখাগী সোসিয়েল ৱাকর সিঙাময়ুম নসিমুদিন, ৱার্দ নম্বর -৫গী মেম্বর লোইতোংবম খোমৈ, লাফুপাৎ তেরাগী আই আর বি নিংথৌজম ইবোমচা সিংহ, নিংথৌজম রাজ মোহন সিংহ অমদি সেকমাইজিন খূনৌগী মেম্বর সিঙাময়ুম মুসানা অথোয়বা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# পি ৱাই এ কাইরঙনা এফ সি লমজাওবু মায়থিবা পীখ্রে



জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ১৩ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন ( এ জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দগী টিম ১৫ না শরুক য়াদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুল প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা জিরি কপ ইনভাসটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০দা পি ৱাই এ কাইরাঙ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল লীগ গ্রুপগী মেটচতা পি ৱাই এ কাইরাঙ অমদি এফ সি লমজাওবু গোল ৫-০ দা মায়থিবা পীখি। শান্নখিবা মেটচ অসিদা পি ৱাই এ কাইরাঙনা মেটচকী মিনিট ১৭ চৎপদা টিমসিগী জর্সি নম্বর ৭ ইজাজনা চন্দুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। পি ৱাই এনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনিট ২৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ৯ রোবিসননা অনীশুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু পি ৱাই এ কাইরাঙনা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎন্দুনা শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনিট ৫৭ অমদি জর্সি নম্বর ৫ মাকবুলনা মিনিট ৬৩ চৎপদা গোল অমমম হাপচিন্দুনা ৪-০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং ৮৭ চৎপদা ইজাজনা মহাক্কী হেদট্রিক গোল অমদি টিমগী মঙাশুবা গোল চন্দুনা ৫-০ দা মায় পাকখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ু বি এফ সি হমারখোলাইননা কুকি স্পোর্টিং ক্লব রানিভেংবু গোল ৭-৪ দা মায়থিবা পীখি।

# সব-জুনিয়র গালর্স ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৩ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ২২ দগী অনীশুবা এস টি এস এম সব-জুনিয়র গালর্স ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০ পাঙথোক্লগনি। শরুক য়ানিংবশিংনা মার্চ ১৬ ফাওবগী মনুংদা ইন্ত্রি ফি লিশিং ২০০০ গা লোয়ননা পীশিনলকপা য়াগনি হায়রি।

ইং ২০০৬ গী জনুৱারী ১ দগী ইং ২০০৮ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা নুপীমচাশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। শরুক য়াগদবা ক্লবশিংনা মার্চ ৭ ফাওবগী মনুংদা সেন্ট্রেল রিজিষ্টার সিষ্টেম (সি আর এস) তৌগদবনি।

টিমশিংগী মেনেজর মীটিংনা মার্চ ১৮ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি হায়না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী এষ্টিটেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী এল নবাচন্দ্র সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FORM ISSUE 14/02/2020
CRASH COURSE FOR NEET(UG) ASPIRANTS - 2020
CLASS STARTS 16/03/2020
SPECIAL CONCESSION FOR STUDENTS SCORING in X (2018)/XII Sc. (2018/2019)
* 85% & above - FREESHIP * 75% to 85% - 20% Concession
* 65% to 75% - 15% Concession * 60% to 65% - 10% Concession
ELIGIBILITY :- 10+2 (Sc) Passed/ Appeared COURSE FEE :- RS. 10,000/-
FOR DETAILS :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com